# লৈঙাক্না মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপা পাল্লি পোল পেনেলগী মীৎয়েং ঙাইরি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ ঃ*
লৈঙাক অসিনা মথং চহীদগী লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মতম অমতদা পাঙথোকপা পাল্লি। ফিভম অদু লৈহনবা য়ানববা লৈঙাক্না ইলেক্সন কম্মিসনগী অপান্বা করিনো হায়বা খঙদোক্নবা হোৎনরি হায়না ফিসিয়েল ওইবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লো কম্মিসন্না ইং ২০১৯ অমসুং ইং ২০২৪ গী মীখল ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলগা পূন্না পাঙথোক্নবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীৎয়েং খঙদোক্নবা হোৎনরি। থা অসিগী অরোয়বদা লো কম্মিসন্না রিপোর্ট অদু সমিট তৌগনি হায়রি। মদুগা মান্ননা লৈঙাক্না নিটি আয়োক্তসু লৈঙাক্না খল্লিবা ৱাখল্লোন অদু খঙহনখ্রে হায়রি।

হৌজিক লৈঙাক অসিনা মীখলশিং অদু মতম অমত্তদা পূন্না পাঙথোকপা পামলি। লাক্কদৌরিবা থা অসিগী মনুংদা পোল পেনেলগী মীৎয়েং অদু লৈঙাক্না খঙদোক্নবা হোৎনরি হায়রি।

লো কম্মিসনগী মতূং ইন্না লৈবাক অমা অমসুং মীখল অমা হায়বসি মীৎয়েং থল্লি। লৈঙাক্না মীৎয়েং অদুদা হেন্না খুভম চেৎশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল ইং ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদু ফেজ অনী থোক্না পাঙথোকহন্নবা হোৎনরি।

খোঙথাং অদু পায়খৎপা য়াননবগীদমক ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মতম তেনশিনবা নৎত্রগা শাংদোকপগী অয়াবা পীননবা কন্সটিট্যুসন অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট শেমদোক্নবা হোৎনরি হায়রি।

অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রনচিংবা ষ্টেটশিংগী মীখল ইং ২০২১ দা পাঙথোক্কদবনি। অদুগুম্বা মীখলশিং অদু ফেজ ১ দা লৈহন্নবা অমদি মতম অমত্তদা পুন্না পাঙথোকপা য়াননবা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

উত্তর প্রদেশ, গুজরাট, কর্নটকা, দিল্লি অমসুং পঞ্জাবকী মীখলশিংনা অনীশুবা ফেজতা লোক সভাগী মীখলগা লোয়ননা পূন্না পাঙথোক্ননবা হোৎনবদা তঙাই ফদবা থৌশিল খরা মথৌ তারি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোরকখিবদা চেদা থবক তৌবা মরু ওইনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলকপগী হেক মতূংদা কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎপগী তঙাই ফদবা লৈগনি। মদুনা ওপোজিসন পার্টিনা লৈঙাক শেম্বা য়াবগী মশীং ফংদে হায়বদু উৎপা লোয়ননা অতোপ্পা লৈঙাক অমা শেম্বা হায়বদু ওইথোক্তবগী খঙহনবা ঙমগনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী লুচিংবা প্রকাস রাৱটনা ফোঙদোকখিবদা মতম অমতদা ষ্টেট এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা হায়বদু থবক ওইনা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা ওইথোকপা য়াবা ফিভম অমা লাকহন্নবগীদমক মতম কয়া চঙগনি। লিগেল ওইবা ফ্রেমৱার্ক অমা লৈহনবগী মথৌ তাই। লিগেল ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎপা ঙমদ্রবদি মতম অমত্তদা পূন্না মীখল পাঙথোকপা অমসুং কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী ৱাফম অদু ওইথোক্লোই। মতম অমত্তদা পূন্না মীখল পাঙথোকপা য়ানবগী ফিভম অমা শেমগৎপদা মতম চঙগনি। লিগেল ফ্রেমৱার্ক অদু চপ চানা শেমগৎপদা লৈরবা মতূং পোল পেনেল অদুনা মখোয়গী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্কনি হায়রি।

# অষ্ট্রেলিয়াদা পাক–শন্না লম্মৈ চাক্লে সিদনিগী য়ূমশিংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে



*সিদনি, এপ্রিল ১৫ ঃ*
সিদনিগী খা থংবা শরুক্তা পাক শন্না লম্মৈ চাকখ্রে। অষ্ট্রেলিয়াগী ফাইয়ার ফাইটর লীশিং কয়ানা লম্মৈ দু পুৎথৎনবা অকনবা থবক পায়খৎলবসু কান্নবা ফংবা ঙমদ্রি। লম্মৈ অদুনা সহরগী য়ূমশিং চাকশিল্লক্তুনা খুদোংথিবা নংহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়না মীপাইনরি।

ন্যু সাউথ ৱালেসকী রুরেল ফাইয়ার সার্ভিসনা ফোঙদোরকখিবদা লম্মৈ চাকপা অদুদগী পাইখৎলকপা মৈরিকশিংনা অনৌবা মফম কয়া চাকহন্নবগী মরম ওইরি। লম্মৈ চাক্লিবা মফমশিং অদুগা নক্ননা লৈবা য়ূমশিংদা লৈরম্বা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুকশিংদা নোং চুদবনা মরম ওইরগা কা–হেন্না শাবগী ফিভম অমা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী মায়োক্নদুনা লাকখি। হৌজিক লমদম অদুদা অকনবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা লঅম্ম অদু অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা থুনা য়াংনা শন্দোরকখি। সুবুরবান ট্রেনশিং লম্মৈ চাক্লিবা মফম কয়া ফাওদুনা চৎপদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা শাথিবা ফিভম অদু উবা ঙমখি।

ট্রেনশিং অদুনা ফাওদুনা চৎলিবা মফমশিং অদু লম্মৈ চাকপগী অমুবা অমসুং অথাবা মৈখু অমদি মৈরিক কয়া পাইবা উখি।

ফাইয়ার টেন্দর ৭০ হেনবনা লম্বীদা লৈননবা লম্মৈ অদু য়ূম্লক্তা শন্দোরক্তনবা অকনবা থবক পায়খৎলি। মৈ চাক্লিবা মফমশিং অদুদা হেলিকোপ্টরদগী ঈশিং হৈথবগী থবকসু চৎখরি।

প্রাইম মিনিষ্টর মালকোলম তর্নবুলনা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা তমথিবা থৌদোক অদু লাকশিন্নবা ইমার্জেন্সি সার্ভিসনা লৌখৎলিবা থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা মতম চাদনা কা হেন্না শাবা ফিভম অমা মায়োক্নরিবা অদুনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকহনবগী মরম ওইরি। মহৌশাগী খূৎশেম্মা অষ্ট্রেলিয়াদা অদুগুম্বা খুদোংচাদবা থৌদোক অদু মায়োক্নহনখিবনি। ন্যু সাউথ ৱালেস পুলিসনা লমদম অদুদা খুদোংথিবা থোক্লে হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা মীওই কয়া হোন্দোকপগী থবক পায়খৎলি। মৈ অদু মখা তানা কা য়াম্না খুদোংথিবা ওইরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তে। অদুম ওইনমক ফিভম অদু মাঙজৌননা হায়বা ঙনমল্লি হায়খি।

GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 09/03/18
Valid : 08/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 20/02/18
Valid : 09/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 21/03/18
Valid : 17/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 12/03/18
Valid : 02/03/18
Stk : 612/14kg 18
Rate : Rs. 762.50
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 13/03/18
Sl. No. 200
Valid : 07/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 14/03/18
Sl. No. 55100
Valid : 01/12/17
Stk : 450
Delivery at Heinoupok Godown

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 22/03/18
Sl. No. 11259
Valid : 19/03/18
Sl. No. 10900
Stk : 360
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 09/03/18
Valid : 07/03/18
Sl. No. 10891
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 21/02/18
Valid : 08/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 12/03/18
Valid : 09/03/18
Sl. No. 440
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 26/02/18
Valid : 20/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 16/02/18
Valid : 09/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

# কাথুৱা, উনাও রেপ কেসকী মায়োক্তা লৈবাক শিন–থুংনা অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিল্লি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ ঃ*
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কাথুৱা অমসুং উত্তর প্রদেশকী উনাওদা পিক্লিবা নুপীমচা অনী ইজৎ মোঙহনখিবা অমসুং হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ঙসি ইন্দিয়া পূম্বদা মীয়াম্না য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে। ন্যু দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গলুরু, আজমিরনচিংবা মফম কয়াদা পীক্লিবা নুপীমচাশিং ইজৎ মাঙহৈনখিবা অমসুং হাৎখিবগা মরী লৈননা খোঙজং কয়া চঙশিনখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগী কাথুৱা দিষ্টিক্টতা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী ১০ দা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা ফাদুনা পুখ্রবা মতূং তমথিবা মওংদা ইজৎ মাঙহনবগা লোয়ননা হাৎলমখি।

কাথুৱাগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা চাউনা ইৱাং লাকপগা লোয়ননা বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী মেহবুবা মুফতি লৈঙাক্তগী ফম থাদোকখি। নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংনা হৌজিক কেস অদুগী সুপ্রিম কোর্টতা চখুনা ৱাকৎননবা শেম শারি।

নাকল অমরোমদা উত্তর প্রদেশকী উনাওদা চহী ১৬ তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা বি জে পি গী লুচিংবা অমনা ইজৎ মাঙহনখি হায়বগী ৱাকৎ থাঙ্গৎপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকী য়ূমদা লাক্তুনা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্বগী মতূংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরিকখি হায়রি।

# লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা চহী মরিগী অঙাং অমা হিংহৌরে, মমা মপা লৈখিদ্রে

*নৈনিটাল, এপ্রিল ১৫ ঃ*
ইমুং মনুংগী মীওই কয়ানা তোংলকখিবা কার অমা খুদোংথিবা থোক্তুনা লম্বী মতাইদা হৌবা উ পাম্বী অমদা থোমজিনবদা চহী মরিগী অঙাং অমা হিংহৌরে অদুগা মহাক্কী মমা মপা অমসুং মবেনবোক লৈখিদ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু রামনাগর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। গারী অদুগী ড্রাইভরসু মফম অদুমক্তদা শিখি। পাউ অসিগী মতূং ইন্না গারী অদুদা তোংলকখিবা হিংহৌরবা অঙাং অদুগী মমা পুজা মৌরিয়া (৩০) মপুরোইবা হিমালসু অসৱাল (৩২) অমসুং মবেনবোক সরোজ বালা (৫৮) খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদু দেহরাদুন্দগী হলদুৱানিদা চৎপগী লম্বীদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা নংখিবনি। রাম নাগরগী হলদুৱা য়ৌগদবা কিলোমিটর ১২ রোম ৱাংলিঙৈ নেসনেল হায়ৱেগী শরুক অমদা ড্রাইভর অদুনা কন্ট্রোল ঙমদবদগী লম্বীদগী নাম্থোক্তুনা লম্বীগী মতাইদা হৌবা অচৌবা উ পাম্বী অমদা থোমজিনখিবনি।

খুদক্তা ড্রাইভর য়াওনা পূন্না মওই মরি মফম অদুমক্ততা শিখি। অদুগা চহী ৪ গী অঙাং অমনা হিংহৌখি হায়রি।

# রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হন্নরক্লে

*য়াঙ্গোন, এপ্রিল ১৫ ঃ*
য়ু এন না রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং ময়ূমদা হনবদা শাফবা ফিভম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু রোহিংয়া রিফ্যুজিগী অহানবা ইমুং অমা ম্যান্মারদা হল্লক্লে হায়না ম্যান্মার ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী আগষ্ট থাদা ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা কাঙলূপকী হিংশা থোকপনা মরম ওইরগা রোহিংয়া মুস্লিম ৭,০০,০০০ য়ূমথংনবা লৈবাক বাংলাদেশতা চঙশিনখি।

ম্যান্মার লান্মীনা চখরকপা শাথিবা ওপরেসনদগী নাম্থোক্নবা মীওইশিং অদু য়ূমথংনবা লৈবাক্তা চেনশিনখি। ম্যান্মারনা কাঙলূপ অমগী মীওইশিং অতম্না মুখৎনবা হোৎনৈ হায়না য়ু এন না মরাল শীরকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ম্যান্মারদদি য়ু এন গী ৱাফম অদু য়াদ্রে।

ম্যান্মার ওথোরিটিনা ঙসি নৌনা ফোঙদোরকখিবদা ইমুং অমগী মীওই মঙা লৈবাক অদুদা অমুক হল্লক্লে মখোয়না তঙাই ফদবা পোৎলম অমসুং আদেন্টিটি কার্ড ইশু তৌখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারদা কাঙলূপকী ৱাথোক লাকখ্রবা মতূং লাঞ্জেন্নরুরবা রোহিংয়াশিং হল্লকপা হৌরে হায়বা অদু কনফার্ম তৌরে। রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ম্যান্মার লৈঙাক্না কেম্পেন চখদুনা অচুম্বা মায়কৈদা লাকহন্নবা হোৎনরি। মমাঙ থাদা রোহিংয়াগী মীচম ১০ হাৎখিবগা মরী লৈননা ম্যান্মারগী লান্মী ৭ জেলদা থাজিনখিবা লৈখ্রে। মখোয়না মরাল লৈজদবা রোহিংয়া হাৎপগী থৌদোকশিংদা চেন্নবনি হায়রি।

ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা মিলিটরিনা ওপরেসন চখদুনা মীওই কয়া হাৎপা, নুপী কয়া ইজৎ মাঙহনবা অমসুং য়ূম কয়া মৈ থাদোকখিবগী থৌদোক মতূংদা রোহিংয়া মুস্লিম কয়া য়ূম্লোন্নরিবা লৈবাক বাংলাদেশতা চেনশিন্দুনা চঙজফম লৌখিবনি।

রোহিংয়া মুস্লিম মাইনোরিটি ওইনা ম্যান্মারদা লৈরি। মখোয়বু ম্যান্মারনা সিটিজন অমা ওইনা নৎত্রগা বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকপা মাইগ্রেন্ট অমা ওইনা শক খঙবা তৌরি। লাঞ্জেন্নরুরবা ইমুং অমগী নুপা অমা, নুপী অনী অমসুং অঙাং অনী রখিন ষ্টেটতা অমুক হল্লকখিবা অমসুং মখোয়বু ম্যান্মার লৈঙাক্না আইদেন্টিতি কার্ড পীবগী ফোটো কয়া ফেসবুক অমসুং সোসিয়েল মেদিয়াদা লৈঙাক্না থাদোরক্লি। মীওইশিং অদু লৈঙাক্না অহানবা ওইনা মেদিকেল চেক–অপ তৌখি হায়রি।

# বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখ্রবা মতূং মেহবুবা মুফটিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নখ্রে

*শ্রীনাগর, এপ্রিল ১৫ ঃ*
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কথুৱাদা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইজৎ মাঙহল্লবা মতূং হাৎলমখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ষ্টেট অদুদা রাজনিটিগী চরাংনবা ফিভম লাকপগা লোয়ননা বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখিবা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নখ্রে।

বি জে পি গী লুচিংবা অনী লাল সিংহ অমসুং চন্দর প্রকাস গঙ্গানা কাথুৱাদা গেঙ্ক রেপ অমসুং মার্দর কেস অদু সি বি আইদা শিন্নদুনা থিগৎহন্নবা তকশিন্দুনা ফম থাদোকখি।

লুচিংবা অনী অদুনা ক্রাইম ফ্রাঞ্চতর নিয়ম চুম্না থিগৎতে হায়বগী মরাল শিবগী লোয়ননা ফম থাদোকখি। জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা বি জে পি অমসুং পিপলস দিমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি) চুঙশিন্নদুনা লৈঙাক শেম্লিবা অদুদা বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখিবা অদুনা অচৌবা চৈফু অমা পীরকখি। বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখ্রবা মতূং বি জে পি না ষ্টেট অদুদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইরাই নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাথুৱা অমসুং উনাওগী থৌদোকশিং অদু চাউখৎপা খুন্নাই অমগী শরুক অমা নৎত্রে। থৌদোকশিং অদু লাইবক থিবা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

মেহবুবা মুফটিনা প্রাইম মিনষ্টর উন্নরবা মতূং বি জে পি গী মিনিষ্টর অনী ফম থাদোকখ্রবসু মখা তানা ষ্টেট অদুদা বি জে পি অমসুং পি দি পি গী চুঙশিন্নবা লৈঙাক্তা অকায়বা লৈরোই। লোয়ননা লৈঙাক শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরকখিবদা মেহবুবা মুফটিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# লান্মীগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি, চিনা অমসুং পাকিষ্টান্দা মীৎয়েং থল্লি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ ঃ*
লৈবাক অসিগী লান্মীগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিংগী মীফম পাঙথোক্নবা শেম–শাখিবগা লোয়ননা ঙমখৈ পরীংদা শিংনরক্লিবশিং মরু ওইনা পাকিস্তান অমসুং চিনাগা তায়নবা ঙমখৈশিংদা ওইরিবা ফিভমশিং খন্নগনি হায়রি।

ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা লৈবাক্কী লান্মীগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অদু পাঙথাকপা হৌরগনি। মীফম অদুদা লান্মীগী লুচিংবা জেনরেল বিপিল রাৱট শরুক য়াবগা লোয়ননা চিনাগী তায়নবা ঙমখৈ পরীংশিংদা শেমগৎ শাগৎলিবা থৌরমশিং মায় পাক্না অমদি থুনা য়াংনা থবক্তা ওন্থোক্নবা খন্নগনি হায়রি।

মীফম অদুনা চিনা অমসুং পাকিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈ পরীংশিংদা ওইরিবা ফিভমশিং অদু কূপ্না খন্নগনি। সেক্যুরিটিদা শীংনবা কয়া থোকহল্লিবা শীংনরিবা কয়াশিং অদুগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

লান্মীগী পি আর ও কর্নেল অমন অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা লৈরিবা ঙমখৈগী পরীংশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

ঙমখৈ পরীং অদুদা রেলৱে লাইন শেমলি। য়েংশিনবগী থবকসু শেল্লি। চিনাগী কিলোমিটর ৪০০০ শাংবা ঙমখৈ পরীং তাইনবগী লৈ। দোকলাম লমদমদা মমাঙ চহীগী জুন ১৬ তগী নুমীৎ ৭৩ চূপ্না চাউনা লৈবাক অনীগী মরক্তা মুক্নখিবা লৈখ্রে।

চিনাগী লান্মীশংনা দোকলামগী ঙমখৈ পরিংদা লম্বী শেমজিল্লকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী লান্মীনা অথিংবা পীবগা লোয়ননা নুমিৎ কয়ানি চূপ্না লৈবাক অনীগী মরক্তা মুক্নবা থোকখি। মুক্নবা অদু মমাঙ চহীগী আগষ্টর ২৮ দা দিপ্লোমেটিক ওইবা খোঙথাং পায়খৎতুনা লোয়শিনবা ঙমখি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না দোকলাম লমদমদা মুক্নবা লৈখ্রবা মতূং ঙমখৈ পরীং অদুদা ইন্দিয়ানা লান্মীগী মশিং হেনগৎহনখি। চাউনপা মুক্নবা কয়া লৈখ্রবা মতূং ঙসি লান্মীগী কম্মান্দরশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা পাকিষ্টান অমসুং চিনাগা তাইনবা ঙমখৈ পরীংশিংদা ওইরিবা ফিভমশিং খন্ননবা মীফম অদু শিনখিবনি হায়রি।

# অরুন জেটলি রাজ্য সভাগী মথং টার্ম ফাওবা থৌ পুনবা ৱাশক লৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ ঃ*
ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি রাজ্য সভাগী মথংগী তার্ম ফাওবা থৌ পুননবা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। জেটলি হৌজিক কিদনিগী অনাবা লৈবনা মরম ওইরগা লাইয়েং চখরিবা মীওইনি। মহাক রাজ্য সভাগী চিয়ারপার্সন এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি মখল তানা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌখ্র।

চিয়ারমেনগী চেম্বরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চহী ৬৫ শুরবা লুচিংবা অদু পার্লিয়ামেনকী অপ্পর হাউস মেম্বর ওইনবা মমাঙ থাদা উত্তর প্রসেশতগী খল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম অদু য়েংলগা অখন্নবা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ৱাশক লৌখিবনি।

ঙসি উত্তর প্রদেশতগী রিপরজেন্ট তৌদুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখিবগী মতাংদা অরুন জেটলিনা ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা উত্তর প্রদেশকী মহুৎ শিন্দুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইনা ৱাশক লৌরে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্দথকুমার, রবি সঙ্কর প্রসাদ, প্রকাস জবদেকর, পিয়ুস গোয়েল, হরদিপ এস পুরি, বিজয় গোয়েল অসুং সিব প্রটাব সুক্লানচিংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। মদুতা নত্তনা রাজ্য সভাগী মেম্বর বুপেন্দ্র য়াদব, মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরদ সংমা, জগদম বিকা পাল অমসুং কর্নটকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদুরপ্পসু শরুক য়াখি হায়রি।

অরুন জেটলি রজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইনা উত্তর প্রদেশতগী খল্লকখ্রবা মতূং মশাগী অনাবা লৈবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা ৱাশক লৌদনা লাকখিবনি। মীওই অদু চৎলিবা থা অসিগী মাপলদগী এমস হোস্পিটালদা দায়েলাইসিস তৌদুনা লাকখি লোয়ননা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌননবা শেম শারিবনি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম অদুনা মরম ওইরগা লুচিংবা অদুনা মপান লৈবাক্তা চৎকদবা খোঙচৎ কয়া মতম লেপ্লুরবা মতূং কেন্সেল তৌখ্রবনি হায়রি।

মহাক মতম শাংনা দাইবেটিষ্টকী অনাবা লৈরকপগা লোয়ননা লায়েংদুনা লাকখিবনি। ইং ২০১৪ গী সেপ্টেমবর থাদা লুচিংবা অদু ন্যু দিল্লিগী মেক্স হোস্পিটলদা সর্জরি তৌখিবসু লৈখ্রে। মদুগী মতূং কমপ্লিকেসন কয়া লাকপগা লোয়ননা এমস হোস্পিটালদা লায়েংলকখিবনি। চহী খরগী মমাঙদা মহাক হার্ট সর্জরি তৌবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

সনা–সুদোকু –১১৪১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 6 | 8 | 5 | 3 |
| 9 | 6 | 3 | 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 2 |
| 1 | 8 | 5 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 9 |
| 7 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 2 | 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 9 | 4 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 |
| 8 | 9 | 2 | 3 | 1 | 4 | 7 | 6 | 5 |
| 3 | 1 | 4 | 7 | 6 | 5 | 9 | 2 | 8 |
| 5 | 7 | 6 | 9 | 8 | 2 | 3 | 4 | 1 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1142**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 3 | | 1 | | |
| | | 4 | 1 | | | | | 8 |
| | 1 | 2 | | | | 7 | | |
| 1 | | | | 8 | | 9 | | 2 |
| | | | 3 | | | | | |
| | 8 | | 4 | | 5 | | 7 | |
| | 2 | | 6 | | | | | 9 |
| 8 | | | | | 2 | | 5 | 4 |
| 9 | | | | 1 | | | | |